[illegible]

হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

এম এস এফ দি এসকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ভি দি এফকী ১২শুবা ষ্টেট লেভেল রেজিং দেগী থৌরমদা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ভি দি এফ পর্সনেলশিংদা সী এম বিরেননা মমেন্টো পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখিবা

লামায় ৪

শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল ঙসিদগী হৌরগনি
লামায় ৫

এসেম্ব্লিগী তোঙান তোঙানবা কম্মিটিশিংগী চেয়রমেনশিং খনখ্রে
লামায় ৩

ভি দি এফশিংগী পেন্দবশিং য়েংশিনগনি
লামায় ৩

আই-৩০ ব্রেন্দেদ লর্নিং সেন্টর লোঞ্চ তৌখ্রে
লামায় ৩

পিপলস ম্যুজিয়ম ককচীংগী ফাউন্দর ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্রনা ইবা, হন্দোকপা লাইরিক 'হেরেম খুঞ্জান অমসুং বরাক্কী ঈচেল্লক্তা' অমদি 'চকপা খুন্তা খুন্থোক' হায়না মীংথোনবা লাইরিক অনী ফোঙখিবা

লামায় ৩

Vol. 44, Issue No. 327 | নোংমাইজিং, ফাইরেনগী ২৪ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, March 07, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি (দি পি) এল বিক্রমনা ঙরাং থোককখিবা ওর্দর অমনা এম পি এস ওফিসর ১১গী ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে।

ওর্দর অদুগী মতুংইন্না ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রবা এম পি এস ওফিসরশিংগী মনুংদা য়াওরিবা এল দেবেননা ৮শুবা আই আর বিগী সী ও ইন-চার্জ, এ ঘনশ্যাম শর্ম্মনা জিরিবামগী এস পি ইন-চার্জ, আই চিত্তরঞ্জননা সী পি সী আরগী এস পি ইন-চার্জ, সাইখোমাং তৌথাংনা এম পি টি সীগী এ দি ইন-চার্জ, কে অজিৎকুমার শর্ম্মনা উখুলগী এস পি ইন-চার্জ, এল থাংবোই কুকিনা এম পি টি সীগী এ দি ইন-চার্জ, টি থোংজ াপাওনা অনীশুবা আই আর বিগী সী ও ইন-চার্জ, জি জেমখানশ্বান পাইতেনা তরুকশুবা এম আরগী সী ও ইন-চার্জ, সী ঐচ অদানি মাওনা কামজোংগী এস পি ইন-চার্জ, এম দি জখিরউদ্দিননা এস দি আর এফকী সী ও ইন-চার্জ অমসুং সেরোন লালসংমাৱিনা ক্রাইম অগেনষ্ট ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেনগী এস পি ইন-চার্জ ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি হায়রি।

মখা তানা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায় মচিন্দা লৈবা নুংতিগী অয়ুক্তা ফোঙবা মণিপুরী অমসুং ইংলিস পাউচে অনীগী ওফিসতা মমাঙ থাগী ১৩গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩৮ লোম তারকপদা শকখঙদবা মীওই অমনা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিল্লম্বা থৌদোক্কী মতাংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অমগা মরী লৈননা ফাগৎখিবা অপূনবা মীওই ৮গী মনুংদা মীওই ৬ মখা তানা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে।

ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুলিসকী মায়কৈদগী ঙসিদগী হৌরদুনা থা অসিগী ১০ ফাওবা নুমিৎ ৫নিগী ফর্দর পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌদুনা পুথোরকখিবা কেস অসিগী এক্যুইজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মীওইশিং অদুনা সাইতোন অৱাং লৈকায়দগী হৌজিক্না ক্বাক্তা *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

চহী ৬০ হেল্লবা অমাইবা-অমাইবী, অরাংফম, পেনা শৈশকপশিং পেন্সন পীরগনি : সী এম

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙরাং হয়িং খোংবান উফোং যূম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহী লাইশঙদা হকথেংননা লাক্তুনা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ (এল এস টি বি) গী প্রসিদেন্টগী থৌ পুননবা ৱাশক লৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ৱাশক লৌনবগীদমক নোংপোক থংবা লম্বীরোমদগী লাইনিংথৌ সনামহীগী লাইশঙ অসিদা চঙলকপদা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী থৌমীশিংনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। চীফ মিনিষ্টরবু অমাইবা-অমাইবী য়াওনা পেনা শৈশকপশিংনা তরাম্না ওকখি। লাইশঙ অসিদা লাই খুরুম্বা লাকপশিংসু নোংপোক থংবা লম্বীদগী চঙহনবীননবা চীফ মিনিষ্টরগী পূক্নিংসু চিংশিনখি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা কৈরাও এ সীগী এম এল এ এল রামেশ্বর মৈতৈ য়াওনা বোর্দ মেম্বরশিংগা পুন্না ৱাশক লৌমিন্নখি। লোয়ননা রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা য়াওনা বোর্দকী মীফম অমসু পাঙথোককখি।

মীফম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দনা শকখঙলবা লমদম অসিগী চহী ৬০ শুরবা অমাইবা-অমাইবী, অরাংফম ফম্বা, লাইশোন তৌরিবশিং য়াওনা পেনা শৈশকপশিং মণিপুর লৈঙাক্না পেন্সন পীরগনি। ঐখোয় ইশানা ইশাগী লাইনীং লাইশোন য়োকখত্তনা ফুরুপ অসি মালেমদা মশক তাকপা ঙম্লোই। অদুনা ঐখোয়গী ইনাৎ লাইনীংদি ঐখোয়না কঞ্জগদবনি।

লাইনিংথৌ সনামহীগী লাইশঙ অসিগী চঙফম অসিসু অথুবদা তোঙানবা লম্বী অমা শেম্লগনি। মসিগীদমক ওফিসলশিংনা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। তুংদা চীফ মিনিষ্টরনা লাইনিংথৌ সনামহীগী লাইশঙ অসি বোর্দ মেম্বরশিংগী ওফিসকা শম্নরিবা অসি শিদোক্তুনা লাইশঙ অসিখক তোঙান্না থম্নবা মরী লৈনবশিংদসু খঙহনখি।

রাজ্য সভাগী এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখি। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা লাইনিংথৌ সনামহী *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

এম পি এস দাইরেক্ট রিক্রুট অমসুং প্রমোটিশিংগী কেসতা সুপ্রিম কোর্টনা রেসপোন্দেন্টশিং কারক্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): মণিপুরগী দিসিপ্লিন ফোর্স অমা ওইজরবসু মণিপুর পুলিস ওর্গনাইজেসন্দা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা মণিপুর পুলিস সর্ভিস (এম পি এস) ওফিসরশিংগী মরক্তা প্রমোটিশিংদগী কুমজা ২০০৬কী ফেব্রুৱারী ২৫দগী হৌরদুনা এম পি এসতা প্রমোসন পীখ্রবশিংনা দাইরেক্ট রিক্রুটশিংদগী সিনিয়রিটি লিষ্টতা মকোক থংনা লৈগদবনি অমসুং হায়রিবা সিনিয়রিটি লিষ্ট অসিগী মতুংইন্না মখোয়না পীফম থোকপা পোষ্টিংশিং পীগদবনি হায়দুনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা চথরক্লিবা কন্টেম্প পিটিসন অমগী ৱায়েলদা লৈবাক অসিগী এপেক্স কোর্ট অসিনা কন্টেম্প পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংবু লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ভর্চ্যুএল প্রোসিদিংদা মশা-মশা কারক্নবা খঙহনখ্রে।

সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওর্দর অসি থা অসিগী ৪দা পীখিবনি। প্রমোটিশিংগা দাইরেক্ট রিক্রুটশিংগগী মরক্তা এপেক্স কোর্ট অসি য়ৌনা শোক্নরক্লিবা লানগী মনুং চন্না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা মমাঙথক্তা পীখিবা ওর্দর অমবু থবক্তা ওন্থোক্ত্রে হায়রদুনা কন্টেম্প পিটিসন ফাইল তৌখিবা পিটিস্নরশিং অদুনা প্রমোটিশিংগী মরক্তগী নিঙম সিরো অমসুং মহাক্কী কাঙবুনি।

কোর্ট অসিদা ফাইল তৌখিবা কন্টেম্প পিটিসন (সিভিল) অদুগী নম্বরনা ৩৩৪-৩৩৫ ওফ ২০২০নি। কন্টেম্প পিটিসন অসি কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল আপিল নম্বর ৮৮৩৬ ওফ ২০১৯ অমসুং ৮৮৩৭ ওফ ২০১৯গা মরী লৈননা ফাইল তৌখিবনি। অদুগা সিভিল কন্টেম্প পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী হান্না চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা ডা. জে সুরেসবাবু য়াওনা অতোপ্পা ওফিসল মঙা য়াওরিবনি।

থা অসিগী ৪দা এপেক্স কোর্ট অসিগী জষ্টিস সঞ্জয় কিষন কাওল অমসুং জষ্টিস অজে রাষ্টোগি অনীগী দিভিজন বেঞ্চনা মেট্টর অসি অমুক হন্না লৌখৎতুনা খন্নখি। লোয়ননা পিটিস্নরগী মায়কৈদা এদভোকেট ওন রেকোর্দ (এ ও আর) পুনম কুমারিনা লেপখি। অদুগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা এ ও আর পুখ্রম্বম রামেশকুমার, এদভোকেট অনুপমা এন জি অমসুং এদভোকেট কারুন শর্ম্মনা লেপখি।

জষ্টিস অনীগী বেঞ্চ অসিনা পার্টি অনীমক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা পীখিবা ওর্দরনা হায়, সিভিল কন্টেম্প পিটিসন অসিগা মরী লৈননা রেসপোন্দেন্টশিংগী মনুংদা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৫ ওইরিবা চীফ সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী অনকন দসনেল এপোলোজি তৌরদুনা পোষ্টিং ওর্দরশিং পীখ্রে হায়দুনা ফোঙদোরকপা এদিসনেল রিপ্লাই এফিদেভিট অমা ফাইল তৌরক্লে হায়খি। *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

পাউমীশিং মনীং তম্না মথৌ পাঙথোকপা ঙমহনবীনবা আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) না শেমখিবা লোকল কোদ ওফ কন্দক্ট ইকায়খুম্নবীদুনা পাউমীশিং মনীং তম্না অমসুং অকিবা লৈতনা মথৌ পাঙথোকপা ঙমহনবীয়ু হায়না অমজু অমসুং এদিটরস গিল্ডনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মার্চ ৫দা পাঙথোকখিবা পব্লিক কনভেন্সননা লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না ঙসিদগী পাউমীশিং হান্নগুম মথৌ পাঙথোকপা হৌরগনি। অদুম ওইনমক পোক্লফম অমদি পিপলস ক্রোনিকলগী ওফিসতা শকখঙদবশিংনা বোম লংশিল্লকখিবা য়াওনা পাউমীশিংদা কিহন খংহনবগী থৌওং পূম্নমক কন্দেম তৌই। ষ্টেটকী হোম দিপার্টমেন্টনা বোম লংশিল্লকপদা চেন্নবশিং ফারগা মথৌ তাবা কেস লৌখৎপীনবা হায়জরি। পব্লিক কনভেন্সন্দা তোঙান তোঙানবা মীয়ামগী লুচিংবশিংনা থল্লম্বা ৱাফমশিংবু তরাম্না ওক্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, মীফমদা লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা মীওই কাঙলূপ অমত্তনা মীদিয়াগী থবক থৌরমদা অপনবা পীবিগনু। মায়কৈ খরদগী অকনবা ৱাফম থল্লকখিবা মরম্না হৌখিবা চয়োল খরগী মনুংদা মণিপুরগী মীদিয়া হাওসশিং মথৌ লেপ্পুনা লাকখি। ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা অমজু অমদি ঈ জি এমগী ওফিস বিয়ররশিংনা কয়ারক হন্না মীফম পাঙথোকখি অমসুং মীদিয়াগী মনীংতম্বা ঙাক্নবা হোৎনদুনা লাকখি।

তঙাইফদবা ফীভম লাকপদগী অমজু অমসুং ঈ জি এমনা পব্লিক কনভেন্সন পাঙথোক্নবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা অনৌবা ওনলাইন মীদিয়া রেগ্যুলেসন মণিপুরদা চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপবু অমজু অমদি ঈ জি এমনা কন্দেম তৌবা হায়না ৱারেপ লৌরে। মণিপুরগী ওনলাইন পোর্টেল অমদা থাখিবা নোটিস খুদক্তা ৱিথদ্রো তৌখিবগী থৌওং অদুবুদি তরাম্না ওকই। অদুম ওইনমক প্রেসকী মচিন মেন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লবদি তু মিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। তোঙান তোঙানবা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা অরানবা পাউ অমসুং খোইশাওনবা পোকহনবা য়াবা ৱাফম শন্দোরকপগী মায়োক্তা অমজু অমসুং ঈ জি এমনা লেপ্লি।

অমজুনা শেমখিবা 'লোকল কোদ ওফ কন্দক্ট' ইকায়খুম্নবীবগা লোয়ননা মীদিয়াবু মনীং-মখা তম্না অমদি অকিবা লৈতনা মথৌ পাঙথোকপা ঙমহনবীনবা অমজু অমসুং ঈ জি এমনা পূম্নমক্কী মফম্দা আপিল তৌরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

এন্টিসিপেটরি বেলদা লৈবা মীওইশিংগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী রিভেন্যু ভিলেজ-লম্ফেল পাৎকী সীট নম্বর ৪ ওফ ৯১ (এ) গী মেপ নম্বর পি-৭০বু অন ওথোরাইজ ওইবা মওংদা মরী লৈনরিবা দিরেক্টোরেট ওফ সেট্টলমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দকী চৎন-কাঙলোনশিং থুগাইদুনা শেমদোক-শাদোক্লম্মী হায়বগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা তোঙান তোঙানবা কেস অনীগী মনুংদা অমদগী এন্টিসিপেটরি বেল লৌদুনা লৈরক্লিবা মীওই ৬পু পুলিস কষ্টদি রিমান্দগীদমক তৌরকখিবা প্রেয়র কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্ট য়েংখোম সোমোরজিৎনা পুলিসকী মায়কৈদগী তৌরকখিবা মখোয়গী কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র অদুগী মতাংদা হিয়ারিং চথরবা মতুং পীখিবা ওর্দরনা হায়বদা পুলিসকী মায়কৈদগী মখোয়গী কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরকখিবা মীওইশিং অদুদি কৈশাম্পাৎ কাংঙম্বম লৈকায়দগী তোঞ্জম হেমজিৎ (৫৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি বিরেন্দ্র, থাংমৈবন্দ কব্রাবম লৈকায়দগী থিংনাম ভুবেন (৫৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ গিরানি, থৌবাল কিয়াম সিফাইদগী ওক্রম মুনাল (৬১) অপোকপা লৈখিদ্রবা ও চাওবা, য়াইস্কুল জ্ন ম্নস্থান্দগী সামোম বিশ্বাজিৎ (৫৭) অপোকপা এস কৃষ্ণচান্দ, হৈরোক পার্ট টুদগী খুন্দোংবম মোহেন্দ্রো (৫৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ মনি অমসুং চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়দগী গ্রিসন ৱাইরোকপম (২৯) অপোকপা দল্লিয়ু কুমারনি।

মীওইশিং অসি দাইরেক্টোরেট ওফ সেট্টলমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দকী মায়কৈদগী পাঙন্বম য়াইতোংবা কৌবা ওফিসল অমনা থা অসিগী ১দা তৌরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা চথখিবা ইনক্বারিদা মেপ নম্বর পি-৭০ (সীট নম্বর ৪ ওফ ৯১ (এ), লম্ফেল পাৎ) বু শেমদোক-শাদোকই হায়বগী খুদম চাংদমগা লোয়ননা ফংবদগী মখোয়গী মথক্তা কেস এফ আই আর নম্বর ৩৭ (৩) ২০২১ অন্দর সেক্সন ৪৬৫/৪৬৮/৪৭১/৪৭৪/১২০-বি আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপনি হায়রি।

লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈননা মীওই তরুক অসিবু থা অসিগী ১৫ ফাওবা নুমিৎ তরানিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌবীনবা প্রেয়র তৌরকখিবনি। অদুম ওইনমক পুলিসকী মায়কৈদগী এক্যুইজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরক্লিবা মীওইশিং অসিগী *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

এয়রপোর্ট দ্রগ কেসতা দেল্লীদগী মীওই ১ কোর্টনা মচিন হংখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস) ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট, মণিপুর লমখনপাউ তোন্সিংগী কোর্টতা চথরক্লিবা এয়রপোর্ট দ্রগ কেসকী মখা তাবা ৱায়েলদা কোর্টনা দেল্লীদগী মীওই অমা মচিন হংখিবগা লোয়ননা মহাকপু কেস অসিগী এক্যুইজ নম্বর - ১গী দিফেন্স কাউন্সেল মোইরাংথেম দিগেন্দ্রনা ক্রোস এগজামিনেসন তৌখ্রে।

ঙরাং কোর্ট অসিনা মচিন হংখিবা মীওই অদুগী মমিং মুকেস খাট্টর (৬৫) কৌই। দেল্লীগী ককরদুমাগী ২২১-এ জি সী আর এনক্লেভতগী লৈখিদ্রবা ভৱানি দাস খাট্টরগী মচানুপানি। মেদিকেল ষ্টোর চলাইবনা শিনফম ওইরিবা মীওই অসি সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসননা কেস অসিগীদমক্তা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

HL Poll

Q: Office of profitki case mayoknariba BJPgi MLA 12 disqualify tourakani haibagi thajaba leibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Garigi atongmal ka henna louei haibagi wapham asigi matangda leingakna meetyeng changlakkani khanbra?

Yes 25% No 75%

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩০.৮৫ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৬.০৭ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০১.০৯ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১৯

অস! লোইরেহে!

- করিগী ঐগী তুলু হুরাক্লিবনো, শালা! হুরানবু অফবা থবক্লা?

- [illegible]



- মরমদু খরা লৈরগা পাউচেদা য়াওরকখিনি ঙাইবীয়ু। হুনীংবে নত্তে।

- [illegible]

লুংনিলা ইলিজাবেথ হাংখিবা কে সী পি নন্দো শিবগী চৈরাক পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): হৌখিবা কুমজা ২০০৩গী নবেম্বর ১২দা চহী ৮ খক্তা ঙাইরিবী লিটল ফ্লৱার স্কুলদা মহে তম্লিবী লুংনিলা ইলিজাবেথ ফারগা হাংৎপদা হকথেংননা চেন্নে হায়বগী মরালদা লালহৌলূপ কে সী পি গ্রুপ অমগী লুচিংবা নন্দো য়াওল্লূপ অমনা হৌখিবা মার্চ ২দা শিবগী চৈরাক পীখ্রে হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

নীংশিংবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ২০০৩গী নবেম্বর ৪দা ইম্ফাল ময়োলদা লৈবা লিটল ফ্লৱার স্কুলদা ক্লাস থ্রী খক্তা তম্লিবী নুপীমচা লুংনিলা ইলিজাবেথ অসি স্কুল অসিগী মমাঙদগী ফাখিবনি। হায়রিবা নন্দো কৌবা প্রাইম এক্যুইজ অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী মার্চ ২৬কী অঙনবা অয়ুক্তা জেনিমস হোস্পিটালদগী নাম্থোক্লগা চেনখিবা মীওইনি। মরাইবক থীরবী লুংনিলা ইলিজাবেথকী অশিবা হকচাং নবেম্বর ১২দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী তেরা সাদোকপমদা ফংখিবনি। পনবা য়াবদি লৈখিদ্রবী লুংনিলা ইলিজাবেথ ফোর্মর মিনিষ্টর ফ্রান্সিস ঙাজেকপাগী মচানুপীনি।

ইন্দিয়াদা চেনশিল্লকখ্রবা ম্যান্মারগী পুলিস ওফিসরশিং খূৎশিন্নরক্নবা খঙহল্লক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস) : মমাঙ থাদা মিলিটরি কু তৌদুনা মতিক ময়াই পূম্নমক পায়শিনখ্রবা ম্যান্মারদগী চেনশিল্লক্তুনা ইন্দিয়াদা চঙজফম লৌরিবা পুলিস ওফিসর ৩০ অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অথুবা মতমদা খূৎশিন্নরকউ হায়না ম্যান্মার ওথোরিটিনা খঙহল্লক্লে।

ফেব্রুৱারী ১দা মিলিটরি কু তৌখিবগী মায়োক্তা হৌরকখিবা মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবা হোৎনবদা কা হেনবা থৌওং চথরকপদগী পুলিস ওফিসর ৩০ রোম ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা চেনশিল্লক্তুনা চঙজফম লৌরখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ম্যান্মারগী ফলম দিষ্ট্রিক্টকী ওথোরিটিশিংনা মিজোরামগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা খঙহল্লক্লে হায়রি।

অদুম ওইনমক মিজোরামদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা ম্যান্মারগী পুলিস ওফিসলশিং অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওই পূম্নমক ম্যান্মারগী ওথোরিটিদা খূৎশিন্নখিগদ্রা হায়বগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী য়াথং ঙাইরি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ম্যান্মারদা মিলিটরি কু তৌদুনা মতিক ময়াই পূম্নমক পায়শিনখ্রবা মতুংদা মশাগী চহী ২২দগীনা ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা পুলিস পর্সনেল ৮ লৈবাক অদু থাদোক্তুনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা চঙজফম লৌরখি। ইন্দিয়ানদি মীওইশিং অদু চঙলকখিবগী মতাংদা ওফিসল ওইবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি।

মণিপুরগী ওইনা অহল ২১৮দা কোভিসিল্ড ভেক্সিন কাপখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস): মণিপুরগী ওইনা হৌখিবা মার্চ ১দগী ৬ ফাওবদা চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা অহল ২১৮ অমসুং মশাগী চহী ৪৫দগী ৬০ ফাওবগী মনুংদা কোমোর্বিদিটিজ লৈবা মীওই ৪১দা কোভিসিল্ড ভেক্সিন কাপখ্রে।

হেল্থ দিপার্টমেন্টতগী ফংবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হৌখিবা জন্যুৱারী ১৬তগী মার্চ ৬ ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা পুন্না মীওই ৬৮৪০৫ ভেক্সিন কাপখ্রে। মীওইশিং অসিগী মনুংদা হেল্থ ক্যের ৱার্করনা ৩০৩৬৮, ফ্রন্টলাইন ৱার্করনা ৩৭৭৭৮, চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা মীওইনা ২১৮ অমসুং চহী ৪৫দগী ৬০ ফাওবগী মরক্তা কোমোর্বিদিটিজ লৈবা মীওইনা ৪১নি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা অপূনবা মীওস ৬৮৪০৫ ভেক্সিন কাপখিবা অসিগী মনুংদা মীওই ৫০০৯দি অনীশুবা দোজ সু কাপখ্রে।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা যুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২ নৌনা পোজিটিভ ওইরে। মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কেস মশীং ২৯২২৮ শুরে। লায়না লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২৮৮৮৪ য়ৌরে। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.৬৩নি। অদুগা কেস ৩১না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১নি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা লৈখিদবগী রিপোর্ট অমত্তা লৈখিদে। লৈখিদবা মশীং ৩৭৩দগী হেনদ্রি।

@1.80% অপিকপা শেন্দোইদা @1.80%
সনা Bandhop লৌজরি
Govindajee Gold Mortgage না অনৌবা চহি লাকপ্পবগা লোয়ননা মীয়ামদা হাননা পিখ্রবা খুদোংচাবশিং অদুগী মথক্তা অনৌবা খুদোংচাবা ময়াম অমসু পিজরি।
- সনা সন ১ দা Rs. 7,000/- দগী Rs. 8,000/- ফাওবা লৌবা য়াগনি।
- শেন্দোইনা ১০০ দা 1.80% খক্তনি।
- করিগুম্বা অদোমগী হাননা অচৌবা শেন্দোইদা শনা Bandhop থম্নীখিবা লৈরবদি ঐখোয়না হান্দোকপিরগা, ঐখোয়গী অপিকপা শেন্দোইদা অমুক থম্নগী খুদোংচাবসু পীজরি।
- সনা লৌথোকনিংবা মতমদা লৌথোকপা য়াবগী খুদোংচাবশু পিজরী।
সন ১দা Rs. 8,000/- ফাওবগী চাংদা পিজরী @1.80%
For details, please contact.
GOVINDAJEE GOLD MORTGAGE
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building, Palace Compound, Govindajee Road, Near Andro Parking, Imphal East.
Office Timing : 9:00 a.m. to 4:00 p.m.
Phone No. : 7085917479
HL-P/8697/20th Feb. to 8th March

[illegible] / ড্রাইভর পামজৈ
গাড়ী থৌবা হৈবা মশাগী চহী ২৫ দগী তাদবা চহী ৩ এক্সপরিয়েন্স লৈবা অমদি মশাগী ভেলিদ দ্রাইভিং লাইসেন্স পায়বা মীওই ১০ অথুবগী লৌনবা ফোর্ম থাজরি। থাগী তলব ওইনা Rs. 9000 মহৈগী থাক Class-VIII Pass নি লোয়ননা Hindi, English ঙাংবা হৈবা মীওইনা হেন্না পামজৈ। Last date Form Submission 8-3-2021
Please Contact :
Manipur Cab Service
M.G. Avenue, 2nd Floor MDU Building
Next to O.K. Hotel
MANIPUR CAB SERVICE 24X7
Powered by IMPHAL FINANCE
HL-B/6779/10th Feb. to 18 Mar.